**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 18-04-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৮-০৪-২০২৪, শগোলশেন)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ক্ষেত্রিময়ুম চিত্রভানুনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১)লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদন্নগনি। চিফ ইলেক্সন কম্মীস্নরনা ভোটরশিংনা মখোয়গী ভোট থাদবগী হকশিং নিংথিনা শিজিন্নবা আপিল তৌরি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সেসশিংনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

**অমসুং**

৩) লোক সভা মীখলগী মরি শুবা তাঙ্কক্কী নোতিফিকেসন ঙসি থোক্কনি।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

ইলেক্সন(এল)ঃ চিফ ইলেক্সন কম্মীস্নর রাজিব কুমারনা ভোটরশিংনা মখোয়গী ভোট থাদবগী হকশিং নিংথিনা শিজিন্নবা আপিল তোরি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী নাগরিক ওইরিবা ভোটর খুদিংমক্কী খ্বাইদগী মরুওইবা তাঙ্কক অদু লাক্লে। লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা মীয়ামনা ইশা ইশাগী ভোট থাদবগী হক অদু শিজিন্নদুনা গনতন্ত্রগী ৱাহন্থোক লৈহন্নবা হোৎনসি । মহাকা হায়- মীখল হায়বসি ভারতকী গনতন্ত্রগী খ্বাইদগী ফজবা মশক অমনি হায়বগা লোয়ননা মীখল অসি শান্তি ওইনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকবসু আপিল তৌরি। মহাকা হায়-

--সাউন্দ রাজিব --

**মীখল (এল)ঃ** মনিপুরদা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদন্নবগীদমক মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে। তাঙ্কক অসিদা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটকী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র ৩২ মক অমসুং আউটর মনিপুর সিটকী বিধান সভা কেন্দ্র ১৫ পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ৪৭ তা ভোট থাদনগনি। ভোট থাদবগী মতম হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগীনা নুংথিল পং ৪ ফাওবনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ভোট থাদনগৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ৪৭ অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং লাখ ১৫ লিশিং ৪৪,৬৫২ নি । মসিগী মনুংদা নুপা ভোটর মশিংনা লাখ ৭ লিশিং ৪১,৮৪৯ নি, নুপী ভোটর মশিংনা লাখ ৮ লিশিং ২,৫৫৭ নি অদুগা থার্দ জেন্দরগী ২৪৬ নি।

মীখল অসিগী ইন্নর মণিপুর লোক সভা সিটতা মীরেপ ৬ না লন্থা থেংনগনি। মীরেপশিং অদুদি- ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অঙোমচা বিমোল অকোইজম, ভারতিয়া জনতা পার্তিগী থৌনাউজম বসন্তকুমার সিংহ, আর.পি.আই (অথৱালে)গী মহেশ্বর থৌনাউজম অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অহুম- আর.কে. সোমোরেন্দ্রো (কাইকু), মোইরাংথেম তোতোম সনা অমসুং হাওরুংবম শরত সিংহনি।

আউটর সিটতনা- নাগা পিপলস ফ্রন্টকী কাইচু তিমোথি জিমিক, ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অলফ্রেদ কে. অর্থর অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অনি- ডাঃ এলিসন অবোনমাই অমদি এস. খো জোন পুন্না মীরেপ মরিনা লন্থা থেংনরি।

মীখল অসিদা ভোট থাদনগদবা পোল্লিং ষ্টেসনগী মশিং লিশিং ২,১০৭ নি। পোল্লিং ষ্টেসন অসিগী মথক্তা ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পরসনশিংনা ভোট থাদনগদবা স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসন ৮৫ হাংদোকবা শেম শাখ্রে। স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা ৮, ইম্ফাল ইষ্টতা ৭, বিষ্ণুপুরদা ২২, থৌবালদা অনি,ককচিংদা ৫ , কাংপোকপীদা ২৪ অমসুং চুরাচান্দপুরদা ১৫ য়াওরি।

অহানবা তাঙ্কক্তা হয়েং রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৪ গী পুন্না সিট ১০২ দা ভোৎ থাদনগনি। সিটশিং অদুগী মনুংদা তামিলনাদুগী ৩৯, রাজস্থানগী ১২, উত্তর প্রদেশকী ৮, মধ্য প্রদেশকী ৬, উত্তরাখন্দ, অসাম অমসুং মহারাষ্ট্রগী সিট ৫-৫, বিহারগী ৪, নোংচুপ বেঙ্গলগী ৩, অরুনাচল প্রদেশ মণিপুর অমসুং মেঘালয়গী সিট ২-২ অমদি ছত্তিসগর, মিজোরম, নাগালেন্দ, সিক্কিম, ত্রিপুরা, অন্দমান নিকোবর, জম্মু কাশ্মীর, লক্ষদ্বিপ অমসুং পুদুচেরিগী সিট অমমম য়াওরি। সিট অনি লৈবা মণিপুরগী ওইনদি ৱাৎহৌরিবা আউটর মণিপুর লোক সভা সিটকী বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা অনিসুবা তাঙ্কক এপ্রিল ২৬ তা ভোৎ থাদনগনি।

**ওপরেসন(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সেসশিংনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসগী থবকশিং মখা তানা চত্থখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী এগাজা ভিলেজ অমসুং ইরেংবম মনিংদগী য়াম্বা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা করবাইন্দ অমা, পিস্তোল অনি, রিভোলভর পিস্তোল অমা, ফ্লেয়র পিস্তোল অমা, ঐচ.ই.দি দিতোনেতর ২৪ , ত্বেন্তিৱান এম.এম ঐচ.ই মোতার সেল অহুম, ফিফতিৱান এম.এম, ঐচ.ই.মোতার সে অমা, টু-ইঞ্চ মোতার আই.এল.এল.য়ুগী মুরু অমা, প্লাস্তিক এক্সপ্লোসিপ আই.ই.দি বোম অমা, নোংমৈ মরু ১০৭, বেলেস্তিক কার্টিস ৫, রিমোট কন্ত্রোল আই.ই.দি অমা, এ.কে ফোর্টিসভেন অনি , য়ু,এস করবাইন্দ চার্জর ৮, রিং য়াওবা ট্যুব লোঞ্চর অনি য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া য়াওরি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী লাংজা এরিয়াদগী লেথোট গন অমা, সিঙ্গল বেরেল ত্বেলফ এম.এম বোর রাইফল ৩, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম সি.এম.জি অমা, তিয়র গ্যাস গন অমা, নোংমৈ মরু ১৪, অবব বুলেটকা লোয়নবা থার্টিঐথ এম.এম. এন্তি রাইওট ,কেত্রিজ অনি, ইম্প্রোভাইস লোং রেঞ্জ মোতার সেল অনি, অমসুং ইম্প্রোভাইস লোং রেঞ্চ মোতারগী মরু অমা য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎপা ঙমখি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**নোটিফিকেসনঃ** লোক সভা মীখলগী মরি শুবা তাঙ্কক্কী নোতিফিকেসন ঙসি থোক্কনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৯ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিত্রেরি অমগী লোক সভা সিট ৯৬ কীদমক মীখল মথং থাগী ১৩ দা পাঙথোক্কনি। মীরেপচে পীশিনবগী মতম থা অসিগী ২৫ নি। মসিগা লোয়ননা সিট ১৭৫ লৈবা অন্ধ্র প্রদেশকী তাঙ্কক অমখক্তংদা পাঙথোক্কদবা
মীখলগী নোটিফিকেসন থোক্লগনি। অমদি ওরিষাগী সিট ২৮ গী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী নোটিফিকেসনসু ঙসি থোক্লগনি।
লোক সভা মীখলগী অহুম সুবা তাঙ্কক্কীদমক মীরেপচে পীশিনবা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবনি৷ রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অনিগী সিট ৯৪ গী মীখল মথং তাগী ৭ তা পাঙথোক্কনি।

**গুজরাটঃ** গুজরাটকী অহমেদাবদ বদোদ্রা হায়ৰেগী নদিয়াদা লম্বীগী এক্সীদেন্ত অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শীরে। থৌদোক অদু য়াংনা থৌরকপা কার অমনা খামদুনা লৈবা তেঙ্কক অমদা থোমজিনবদগী ঙরাং থোকখিবনি। খেদা দিষ্ট্রিক্টকী এস.পিনা হায়- শীখিবা মীওই ১০ অদুগী মনুংদা মীওই ৮ না মফম অদুমক্তদা লৈখিদবনি অদুগা অনিনা হোস্পিতাল চৎপগী লম্বীদা লৈখিদবনি।
অহানবা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না কার অসি বাদোদারদগী অহমেদাবাদতা ফাওবা চৎপনি।

**ক্রিকেটঃ** ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিগকী ঙরাং অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্রিকেট মেটচতা দিল্লি কেপিতেলসনা গুজরাট টাইটান্সপু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে। ঙসি চান্দিগরদা পঞ্জাব কিংসকা মুম্বাই ইন্দিয়ানসকা নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নরগনি।

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১)লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদন্নগনি। চিফ ইলেক্সন কম্মীস্নরনা ভোটরশিংনা মখোয়গী ভোট থাদবগী হকশিং নিংথিনা শিজিন্নবা আপিল তৌরি।

**অমসুং**

২) সেক্যুরিতি ফোর্সেসশিংনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থীবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া
ফাগৎপা ঙমখ্রে।

৩) লোক সভা মীখলগী মরি শুবা তাঙ্কক্কী নোতিফিকেসন ঙসি থোক্কনি।

**--পাউ লোইজরে--**

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**
**হৌজিক খায়দেম গিটচন্দ্রা লৈরে--**

**--গিটচন্দ্রা--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-চিত্রভানু**

লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী মতম লোইশিনখিবা, লোক সভা মীখল অসিগা মরী লৈননা বি.জে.পি মনিপুর প্রদেশকী মেনিফেস্তো ফোংখিবা অমসুং মেনিফেস্তো ফোংবগী থৌরম অদুদা চিফ মিনিস্তর নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাডশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী মতম লোইশিনখিবা অমসুং লোক সভা মীখল অসিগা মরী লৈননা বি.জে.পি মনিপুর প্রদেশকী মেনিফেস্তো ফোংখিবগী পাডশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা হুইয়েল লানপাউ, মনিপুর নিউজ, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস , সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মনিপুর ইদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস , মনিপুর মেল, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং মোর্নিংবেল পাউচেশিং অসিদা ফোংলে।

অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী মতম লোইশিনখিবগী পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতা লোক সভা মীখল অহানবা ফেসকী ভোট খোম্বগী মতম লোইখ্রে। ইন্নরদা বি.জে.পি আই.এন.সি , আর.পি.আই অথাৱালেগী মীরেপশিংনা অকনবা লম্বা ওইরি, অশোই অঙাম য়াওদনা মীখল ওইহন্নবা সেক্যুরিতি ব্রিফিং পাঙথোকখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেস পাউচে অসিদা বেন্নর হেদলাইন অমসুং সব হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিমক সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসনদা মীখল, অহানবা তাঙ্কক্কী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে অমসুং শান্তি ওইনা ভোট থাদহন্নবা হোৎনরি হায়বা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি.সি দাইনগী ৱাফমনা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

বি.জে.পি মনিপুর প্রদেশকী মেনিফেস্তো ফোংবদা চিফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিসু ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা ফোংনরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা গাড়িদা নোংমৈ কাপশিনখিবশিং ফানবা হোৎনরি, চিফ মিনিস্তর হায়না ফোংলি। পাউ অসিমক নহারোলগী থৌদাং পাউচেদনা ৱারোইশিন পুরকপদি য়াই, কম্প্রোমাইজ তৌবদি পামদে, চিফ এম হায়না ফোংলি।

থা ১২ ফাজিল্লক্লবা মনিপুরগী লান, পুলিস অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সনা ঙাকশেনবা ঙমদবদগী খুল ঙাক্লিবা ভলন্তিয়রশিংবু ফাবা পুনবা চত্থরে হায়নাকোর্টতা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ অমসুং চিংখোং চীংয়াদা খুল ঙাক্লিবশিং ভোট থাদবা য়াহনবিয়ু হায়না তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। খুল
ঙাক্লিবশিং ভোট থাদবা য়াহনবিয়ু হায়বা পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

হায়ৰেদা চৎপা গাড়িশিংদা এতেক তৌরকপগী দাইত্বা সেন্তর অমসুং ষ্টেট লৈঙাকা পুগদবনি হায়বা কোকোমিগী ৱাফম অমসুং মসিগা মান্নবা পাউশিংনা নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, পোকফম পাউচেশিংদা অসিদা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

--**চিত্রভানু**--